**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নাগা অমসুং কুকি ফুরুপশিংনা নেসনেল হাইৱেদা পাব্লিক ট্রান্সপোর্টশিং অয়েৎ অপন লৈতনা চৎহনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

২) চহি অসিগী মার্চ ২৬ তগী হৌজিক ফাওবদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা লুপা কোতি ২৯ লোমগী রেভিন্যু খোমগৎপা ঙমলে।

৩) প্রোফেট মুহামদকী মপোক নুমিৎ মিলাদ উন নবিনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম থা অসিগী ২৭ তা পাক শন্না পাঙথোকবা শেম শারি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী দিজিতেল পেমেন্টকী খোঙচৎতা য়ু.পি.আইনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

------

হোকর (এল)ঃ নাগা অমসুং কুকি ফুরুপশিংনা নেসনেল হাইৱে-টুদা পাব্লিক ট্রান্সপোর্টশিং অয়েৎ অপন লৈতনা চৎহনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালগী হয়িং খোঙবালদা ঙসি পাঙথোকপা ৪৫ শুবা হোক্করস ডেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কাংলুপ অনিমক্কী মীয়ামা ৱাখল তামিন্নদুনা মতেং পাংনরকপা অসি রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবগী লম্বীদা শিংথানিঙাই ওইরবা তাঙ্কক অমনি। সেনাপতি জিলাগী তাফৌ ভিলেজদা ঙরাং থোকখিবা পামদবা থৌদোকশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- এম.এল.এশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিতিশিংনা কাংলুপ অনিমক্কী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নদুনা নেসনেল হাইৱেদা গাড়িশিং চৎপদা অয়েৎ অপন থোকহন্দনবা থবকশিং লৌখৎলে।

ঙসিসু মরিনি চনবা নুমিৎ ওইনা ইম্ফাল-দিমাপুর-গুৱাহাতি লম্বী পরিং অসিদা পেসেঞ্জর ৩০০ লোম চৎখি। নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওবা পেসেঞ্জরশিং অদু বস মঙা অমসুং ৱিংগর ৯ দা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- চহি অসিগী মার্চ ২৬ তগী হৌজিক ফাওবদা এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা অতৈ দিপার্টমেন্টশিংগা পুন্না হোৎনদুনা লুপা কোতি ২৯ লোম রেভিন্যু খোমগৎপা ঙমলে।

মণিপুর এক্সাইসকী ৭৯ শুবা রেজিং ডেগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলগনি। মসিগী মথক্তা এক্সাইজ ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসন্না পুখৎলকপা ৱাফমশিং সরকারনা য়েংশিল্লগনি। মহাকা হায়- থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোনদা অৱাবা কয়া মায়োকরিঙৈ মরক্তা বিভাগ অসিনা চাউরবা শেনফম অমা রেভিন্যু ওইনা খোমগৎপা অসি থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি।

থৌরম অদুদা বেষ্ট পার্ফোমিং এক্সাইজ ষ্টেসনশিং, মেরিটোরিয়স এৱার্দ অমসুং স্পেসিয়েল এৱার্দশিংসু মুখ্য মন্ত্রিনা য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা ফাইনান্সকী কম্মিসনার এ. অশোক কুমার য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

খেমচান্দ (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ ঙসি নুমিদাংৱাইরম দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। শ্রী খেমচান্দনা দিল্লিদা হয়েং কেন্দ্রগী লুচিংবা কয়াগা উন্নগনি হায়রি। মুখ্য মন্ত্রিনা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নরক্কনি।

সেনাপতি (এল)ঃ সেনাপতি জিলাগী তাফৌ এরিয়াদা ঙরাং থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক অদুগী মতুংদা সি.আর.পি.এফকী কোব্রা কাংবুনা তাফৌ এরিয়াদা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথরবা মতুংদা উংখৎনবগী ফিভম অদু তপা তপা হন্থরক্লে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী এ. হেখিনিনা হায়- মফম অদুদা ঙাক শেনবগী থবক হান্নদগী হেন্না কনখৎলে। সি.আর.পি.এফকী কোব্রা কাংবুনা তাফৌ লিয়াংমাই, তাফৌ কুকি অমসুং নকবা মফমশিংদা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা কোম্বিং ওপরেসন চখখ্রে। মফম অদুদা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈতে হায়রি।

সনা (এল)ঃ শাশিন্নবা শঙ্গোম সনাশিং য়োনবশিংদগী চেকশিন্নবা রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেটনা ফোংদোরক্লি। হেলথ সার্ভিসেসকী দিরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- কনাগুম্বশিংনা শঙ্গোম সনা লৈরমদাইদা লেবেল তৌদুনা থারিবা ইনগ্রেদিয়েন্টশিং নিংথিনা চ্যেক তৌগদবনি। হোতেল, রেষ্টুরেন্ট অমসুং ফুড ষ্টোলশিংদা ফংলিবা শঙ্গোম সনা থোংবশিং অদু অশেংব্রা শেংদব্রা হায়বদু খঙদোকবা হোৎনবীয়ু। করিগুম্বা চিংনবা লৈরবদি ফুড সেফতি এদমিনিষ্ট্রেসনদা পাউ পীবীয়ু হায়রি।

মেসেজ (এল)ঃ প্রোফেট মুহামদকী মপোক নুমিৎ মিলাদ উন নবিনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা পীবা পাউজেল অমদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়াম, অখন্ননা মুসলমান ইচিন ইনাউশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। প্রোফেট মুহামদনা তাকপীরম্বা থৌজাল হৈবা, শান্তি, থোং মান্নবা, মচিন মনাউ ওইবা অমসুং মীওইবা খুনাইগীদমক অফবা তৌবা হায়বা ফজরবা ৱাখল্লোনশিং অদু মিলাদ ডন নবিনা লাকপদা নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিদা শান্তি, চাউখৎপা, নুংঙাইবা অমসুং অমনা অমবু ইকায় খুমনা হিংমিন্নবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা পীবা পাউজেল অমদা হায়- মিলাদ উন নবিনা লাকপদা প্রোফেট মুহামদনা পোকখিবা অমসুং মহাক্কী থৌজাল হৈবশিং অদুবু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরদা তুং কোইনা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং চাওখৎপা পুরকবা ঐখোয় পুন্না মপুগী মফমদা নিজরশি।

এম.এল.এ- থৌনাউজম বসন্তকুমারনা পীবা পাউজেল অমদা হায়- মিলাদ উন নবিনা লাকপদা প্রোফেট মুহামদনা তাকপীরম্বা শান্তি, মীনুংশিগা লোয়ননা তেংবাংবা অমসুং থৌজাল হৈবগী ৱাকল্লোনশিং ঐখোয় পুমমক্তা হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরবু তংদু লৈতাবা অমদি চাওখৎপগী মাইকৈদা হেন্না য়াংশিন্না চৎপা ওইরসন্ হায়রি

হেন্দলুম (এল)ঃ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলস দাইরেক্তোরেটকী নৌনা খল্লবা গ্রুপ-এ অমসুং বি ওফিসারশিংগী নুমিৎ ১০ চথুগদবা ইন্দক্সন ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট অসিগী কনফরেন্স হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি অনুরাগ ভাজপায়না হায়- সরকারগী ওফিসারশিং থকশি খাসি লৈনা ইথিক্স অমদি ইন্তিগ্রিতি ঙাক্তুনা থবক তৌগদবনি। মীয়ামগীদমক থবক তৌবা মতমদা সরকারগী ওফিসারশিংনা মশাগী থৌদাং মশক খঙনা মথৌ পাঙথোক্কদবনি।

বিভাগ অসিনা হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট অমসুং টেক্সতাইলগী লমশিংবু হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনরিবিশিং অদুবুসু শ্রী ভাজপায়না থাগৎপা ফোংদোকখি।

চান্দেল (এল)ঃ নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম থা অসিগী ২৭ তা চান্দেল জিলাদসু মপুং ফানা পাঙথোকবা শেম শারি। ৱাফম অসি ঙসি চান্দেলগী য়ুনাইতেদ কলেজদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কলেজ অসিগী এন.এস.এস য়ুনিতকী প্রোগ্রাম ওফিসার ডাঃ অগুষ্টিন রোয়েলনা ফোংদোকখিবনি। চান্দেলগী সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজদসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকবা কলেজ অসিগী এন.এস.এস য়ুনিতনা শেম শারি হায়রি।

নেহরু য়ুবা কেন্দ্র উখ্রুলনা নেসনেল স্পোর্টস ডেগা মরী লৈননা উখ্রুল জিলাগী তোঙান তোঙানবা কলেজ অনিদা খেল্লো ইন্দিয়া সম্বদকী থৌরম নিংথিনা পাঙথোকবা শেম শারি। উখ্রুলগী সেন্ট জোসেফ কলেজদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা নেহরু য়ুবা কেন্দ্র উখ্রুলগী দিপ্যুতি দিরেক্তর ৱোরচিপেমনা হায়- থৌরম অসি জিলা অসিদসু মায় পাকা পাঙথোকবা নিংথিনা শেম শারে।

নেসনেল স্পোর্টস ডে ২০২৬ সেনাপতি জিলাদসু মপুং ফানা পাঙথোকবগী মতাংদা ঙসি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ ওফিসার, মাই ভারত সেনাপতিনা শিন্দুনা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাগী ওইনসু থৌবাল কলেজ অমদি ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজদা কুমশি চহিগী নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম পাঙথোকবা শেম শারি। ৱাফম অসি ঙসি থৌবাল কলেজদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মাই ভারত থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ ওফিসার বিসাল ধাকতনা ফোংদোকখিবনি।

সিএলপি (এল)ঃ মথং থাগী অনিদগী হৌগদৌরিবা মণিপুর বিধান সভাগী মীফম অসি নুমিৎ হুমি খক্তমক পাঙথোকপা তেনমল্লি হায়না কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হায়রি । মণিপুর বিধান সভাগী বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিগী মীফম লোইরবা মতুংদা শ্রী মেঘচন্

দ্রনা পাউমীশিংদা হায়- মীফমগী মতম খরা শাংদোক্তুনা রাজ্য অসিগী ওইবা তঙাইফদবা ৱাফম কয়া সভাদা নিংথিনা খন্নবা কংগ্রেস দলনা পাম্মী।

ফিল্ম (এল)ঃ ৩ শুবা ফিল্ম এপ্রিসিয়েসন কোর্স ২০২৬ লোইশিনবগী থৌরম হৌজিক পাঙথোকখ্রে। মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ তেলিভিজন ইন্সটিট্যুটনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা কেসল হোতেলগী খন্বা হোলদা পাঙথেকখিবা থৌরম অসিদা মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচরগী সেক্রেটরি নাওরেম প্রভিন সিংহ অমসুং মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এন্দ তেলিভিজন হন্সটিট্যুটকী দাইরেক্তর অঙোম শিজলেম্বীনচিংবনা শরুক য়াখি।

আরটিআই (এল)ঃ মীকোক থিদ্রিবঙৈদা, মীতোপ খন্দোকবগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারগী মরী লৈনবশিংদা করি করম্বা রিকমেন্দেসনশিং থাখিবা লৈবগে হায়বগী মতাংদা মণিপুর বিধান সভাগী ষ্টেট পাব্লিক রিলেসন্স ওফিসারদা আর.টি.আই অমা থাখ্রে। আর.টি.আই অদু ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদগী য়াংলেম মঙ্গি কৌবা মীওই অমনা থাখিবনি।

মিলাল (এল)ঃ মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নাশিল্লোল অপুনবা লুপ (মিলাল)না হৌখিবা থা অসিগী অনিদা পাঙথোকখিবা মহৈরোইশিংগী মীতৈ ময়েক অথোই অহেন চাংদমখিবগী মনা য়েন্থোকপগী থৌরম হয়েং ইম্ফালগী জে.এন. ডান্স একাদমিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

এৱার্দ (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ডান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইরিবা ডাঃ পুখ্রম্বম লিলাবতি দেবীবু নেসনেল টিচরস এৱার্দ ২০২৬ পীনবা খল্লকপদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি টিচরস এসোসিয়েসন (মুতা)না নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

হার (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা পৌরাবীদা লৈবা মোধু এন্দ সনাহনবী মেমোরিয়েল ট্রষ্টনা ঙসি লৌমীশিংদা হার য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ট্রষ্ট অসিগী চেয়ারমেন ৱাহেংবম ইবোহনবী য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

এময়ু (এল)ঃ ভারতপু টি.বি. লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবা পাঙথোকপা টি.বি. মুক্ত ভারত অভিয়ানগী ওনলাইন লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর (ইনচার্জ) প্রোফেসার আর.কে. হেমাকুমার য়াওনা মকোক থোংবা ওজাশিং শরুক য়াখি।

ওর্গান (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা ওর্গান ত্রান্সপ্লান্ট প্রোগ্রাম রিমসকা খুৎশমদুনা ঙসি রিমসকী এনতোমি দিপার্টমেন্টতা ওর্গান দান তৌবগী ৱাশক লৌবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ব্রাঞ্চ অসিগী মীওই অনিনা ওর্গান দান তৌনবগী ৱাশক লৌখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দেঙ্গি লায়নাদগী ঙাকথোকবা কাঙ লৈহন্দনবা মৈখু কাপথোকপগী থৌরমশিং পাক্তকনা পাঙথোকখ্রে।

আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী পাউনা হায়- মফম অদুগী মীয়াম্বু দেঙ্গি লায়নাদগী কন্নবগী ৱাখল্লোনদা মৈখু কাপথোকপগী থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি।

ফেরজোল (এল)ঃ ফেরজোল জিলাদা ইলেক্তোরেল রোলশিংগী স্পিপসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজনগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং ঙসি লোক আয়ুক্তা- কম্মিসন ওফ ইনক্বারিগী সেক্রেতরি মোহনলাল মিনানা মীফম

পাঙথোক্কুনা য়েংশিনখ্রে।

ফেরজোলগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসতা সেক্রেতরিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শ্রী মিনানা ভেরিফিকেসনগী থবকশিং নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক ইলেক্তোরেল রোলগী এপ্লিকেসনশিং কুপা য়েংশিনখি। এস.আই.আরগী থবকশিংগা মরী লৈনবা চে চাংশিং ৱাৎপা লৈরবসু মীয়ামদা কা হেন্না অৱাবা পীদনবসু সেক্রেতরিনা ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখি।

যুপিআই ঃ যুনিফাইদ পেমেন্ট ইন্তরফেস (য়ু.পি.আই)না চহি ১০ মপুং ফারকপদা পধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিগী দিজিতেল পেমেন্টকী খোঙচৎ অসিদা য়ু.পি.আইনা চাউনা অওনবা অমা পুরকপা ঙমলে। দিজিতেল পেমেন্ট মেথদ অসি শিজিন্নবগী অৱা নুংঙাইশিংগী মতাংদা মীয়ামগী মোত ফোংদোরকবা হায়রদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- দিজিতেল পেমেন্টকী লমদা অসিগুম্বা অহোংবা অমা পুরকপা ঙম্বা অসি লৈবাক অসিগী য়ামা চাউথোকচনিঙাইনি।

টোল্ক ঃ নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিট দোবালনা চাইনাগী মপাল থৌরম মন্ত্রি ৱাংয়িগা ঙসি বৈজিংদা উন্নদুনা ভারত-চাইনা ঙমখৈগী ৱাথোক অমসুং লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

চাইনাগী রাষ্ট্রপতি সি জিন পিংনা মথং থাদা ব্রিক্স মীফম য়াওনবগীদমক নিউ দিল্লিদা লাক্কদৌরিবা অদুগী মাংওইননা ঙসিগী মীফম অদু পাঙথোকখিবনি। শ্রী দোবাল অমসুং শ্রী ৱাং মখোয় অনিমক ঙমখৈ ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকবা লৈবাক অনিমক্কী অখন্নবা মীহুৎশিং ওইরিবনি। কিলোমিতর লিশিং ৩,৪৮৮ শাংবা ভারত-চাইনা ঙমখৈগী চয়েৎনরিবা ৱাফমশিং ৱারোইশিন পুরকবা মখোয় অনিবু কুমজা ২০০৩ দা অখন্নবা মীহুৎশিং ওইনা হাপখিবনি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা রসিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রি সরগে লভরোভকা মোস্কোদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

তুংদা, ডাঃ জয়শঙ্করনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- মখোয়না ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা হান্নদগী হেন্না তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা, মালেমগী ওইবা শিংনবশিং অমসুং অতোপ্পা মরুওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্ন-নৈনখি। যুক্রেন, ইরান অমসুং আফগানিস্তান্নচিংবা লৈবাকশিংদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংগী মতাংদসু লুচিংবা অনিনা খন্নখি। মদুগী মমাংদা, ডাঃ জয়শঙ্করনা রাসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিনগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

জিৎ কুন্দো (এল)ঃ জিৎ কুন্দো এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী টেকিকেল ওফিসিয়েল ওইরিবা ডাঃ চুংখাম নিংথেম সিংহনা পদ্মাশ্রী গৌরব সমান এৱার্দ ফংলকপদা এসোসিয়েসন অসিগী মাইকৈদগী নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। এৱার্দ অসি জেনিত ইন্তরনেসনেল ইম্পেক্ট এৱার্দ কাউন্সিলনা পীবনি। ইং ২০২২ দা থাইলেন্দগী পতায়াদা পাঙথোকখিবা ইন্তরনেসনেল জিৎ কুন্দো চেম্পিয়নসিপতা ডাঃ চুংখাম নিংথেম সিংহনা গোল্ড মেদল অমদি বেষ্ট ফাইটরগী মনা ফংলকখি হায়রি।

যোগ (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অনিসুবা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট যোগসনা চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ নবেম্বর ১ দগী পাঙথোক্লগনি। তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী অকুপ্পা মরোল এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতগা খঙবা য়াগনি হায়রি।

খেল্লো ঃ  কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়না শিন্দুনা খেল্লো ইন্দিয়া সম্বদ খেল কি ভাত, পি.এম.কে সাথ পঞ্জাব, হরিয়ানা অমদি চান্দিগরগী জিলা খুদিংমক্তা লৈবা কলেজ অনি অনিদা পাঙথোক্লগনি। লাক্লিবা শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি মন্ত্রালয় অসিগী মেরা য়ুবা ভারত (মাই ভারত) বিভাগনা শিনগনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি চান্দিগরদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

------